টৌইলেট ব্লোক ২ শাখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ রেদ সিল্ড দিভিজনগী সেনাপটি বৃগেদকী মীৎয়েং মখাদা মরাম বট্টালিয়ন্না সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা থিংবা খুল্লেন অমসুং সোমাই থিংবাখুনৌ ভিল্লেজদা টু ইন টু টৌইলেট ব্লোক অমমম শাদুনা খুঞ্জাশিংদা খুদোংচাবা ফংহনখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিং ইম্ফালগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

সোলর লেম্প ২ পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ রেদ সিল্ড দিভিজনগী জ্বালামুখি বট্টালিয়ন্না সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লৈমখোংগী পি মোল্ডিং (কৌব্রু লৈখা) ভিল্লেজদা সোল্লর লেম্প ২ পীখ্রে। দিফেন্স ৱিংগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কৌব্রু লৈখা খুঞ্জাশিংদা সোল্লর লেম্প অদু খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা মনুং চঙশিন্না লৈবা ইলেক্ট্রিসিটিগী খুদোংচাবা নীংথিনা ফংদবা মফম অদুগী মীয়াম্না সেক্যুরিটি ফোর্সপু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

উতলানা থাগৎখ্রে

জিরিবাম, মার্চ ২৮ঃ পিছ চাপাল হোল কুপ্পবগীদমক ২৭ অসাম রাইফলসনা জি আই সিট বান্দল ৫ পীরকখিবগীদমক আই জি এ আর (ইষ্ট)কী ২২ সেক্টরগী দি আই জি অমদি ২৭ বট্টলিয়ন অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্টবু য়ুনাইটেদ ত্রাইবেল লিবরেসন আর্মি (উতলা)গী চিয়ারমেন এস কে থাদৌনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

আর পি এফকা মরী লৈনদে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা ফারে হায়খিবা মোইরাংখোম বোকুল মখোঙদগী বাম্পটি ময়ুম সিবানন্দ শর্ম্মা এলাইজ লতিপ (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা হোমেন্দ্রো অমসুং শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ুম সঞ্জয় এলাইজ পান্দুম (৩৫) অপোকপা কেএসঐচ ইন্দ্রকুমার হায়রিবা মীওই ২ অসি আর পি এফ অমদি মসিগী লান্মী শঙলুপ পি এল এগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লুপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী চীফ বঙ্কিমনা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লমদিংদা লৌমীশিংগী ত্রেনিং চথরি

থৌবাল, মার্চ ২৮ঃ রুরেল ঔজুলারি ফোর পিপলস এক্সন (রাপা) ৱাংজিং–লমদিংনা শীন্দুনা নুমিৎ হুম্নি চখগদবা লৌমীশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙরাংদগী লমদিংদা লৈবা এদুকেস্নেল ইনহেন্সমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ই ই ও)গী হোলদা চথরি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদু সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ হোর্টিকলচর (সি আই ঐচ), ভারত সরকারগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ এগ্রিকলচর এন্দ কোর্পোরেসন, মেটজি ফেমা দিমাপুর নাগালেন্দগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকপনি। ঙরাং ত্রেনিং হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাংজিং লমদিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ২ গী কাউন্সিল্লর শগোলশেম শান্তি দেবীনা অথোইবা মীথুংলেন, ৱার্দ নম্বর থ্রিগী কাউন্সিল্লর য়ুম্নাম ইবোপিশক সিংহনা থৌরম মপু অদুগা দিষ্ট্রিক্ট ওফিসার হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন কেএসঐচ বিরচন্দ্র সিংহ অমদি এস দি সি খোংজোম লোংজম অসামকুমার সিংহনা পূন্না ইকায় খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

রাপা লমদিংগী সেক্রেটরী ই সোভাসনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুগী মরমদা হায়, চীঙ্গাক্তা মীপাল তাংদনা অমদি শুবা নোম্বা কনবা, গ্লোবেল ৱার্মিং থোকহন্দনবা অকোয়বগী ফিভম কায়হন্দনা মশানা মশাবু শেল্হোক লন্বী লৈনা হিংজবা ঙম্নবা ইনকম জেনরেট তৌবা হায়বা মীৎয়েং অসিদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

লৌমীশিংনা হৌজিক মতমগী টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা মতৌ করম্না পাম্বীশিং চরা শেমগনি, করম্না ঙাকপী শেনবীগনি অমদি মায় পাক্লা করম্না লোক্কনি হায়বগী হিরমদা অখঙ অহৈ কয়াগা লোয়ননা খন্ন–নৈনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (কাও) ইরোইশেম্বা ইম্ফালগী এগ্রিকলচর সাইন্স সেন্টর ইম্ফাল ইষ্টকী মেনেজর ডা. কেঐচ অকোইস্না সিংহ, কৃষি বিজ্ঞান কেন্দ্র থৌবালগী প্রোগ্রাম এসিস্টেন্ট আর কে লেম্বীসনা দেবী অদুগা চাউয়াইমা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল থৌবালগী বি এল আই এস এস প্রোজেক্ট কোওর্দিনেটর টিঐচ রাধামনি দেবীনা তোঙান তোঙানবা হিরমদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংদুনা নৈনখি।

পূন্না নুপা নুপী ৫০ রোম অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমসুং ষ্টাফশিং য়াওনা রিছোর্স পার্সনশিংগা ইন্টরেক্সনগী থৌরম ত্রেনিং মনুংদা চথরি।

এ আরনা শীনবা ইষ্টর সন্দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমদা ইষ্টর সন্দে থৌরম পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নম্বোলদা লৈবা বেপটিষ্ট চর্চতা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১২ বিহার রেজিমেন্টনা শীন্দুনা অদুগা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা তেংনৌপল ভিল্লেজগী চর্চতা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১২ বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ইষ্টর সন্দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

নম্বোল বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বিহার রেজিমেন্টকী ওফিসার অমসুং ক্রুপশিংগা ৱারী ৱাতাই শানবগা লোয়ননা চর্চ অদুদা ইষ্টর খুদোলসু পীখি।

তেংনৌপল ভিল্লেজ চর্চতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভিল্লেজ ওথোরিটিশিং অমদি পাষ্টরশিং য়াওনা মীওই ৮৬ রোম্না শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা কেক অমসুং অথুম অহাওশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখি লোয়ননা অসাম রাইফলস পার্সোনেলশিং খুঞ্জাশিংগা ৱারী ৱাতাইসু শানখি হায়রি।

খুৎশা হৈবা মীওইশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ নেস্নেল এৱার্দ ২০১৫ গীদমক মণিপুরগী ক্রাফটস পার্সন (খুৎশা হৈবা)মীওইশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। ভারত সরকারগী পি আই বিনা থোকপা চেরোলনা হায়, এৱার্দ অসিগীদমক খুৎশা হৈবা মীওইশিংনা মখোয়গী হেন্দিক্রাফট সেম্পল য়াওনা এন্ট্রি, বাইওদাটা অমদি এফিদেবিট মথং থা এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফালদা লৈবা দিভলপমেন্ট কম্মিস্নার (হেন্দিক্রাফটস) মার্কেটিং সার্ভিস এন্দ এক্সটেন্সন সেন্টরদা পীশিনবা য়াগনি।

এদেদ কলেজশিংগী পোলিসি অমা থম্বীনবা অমুক্কসু হন্না তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ ওল মণিপুর গভর্নমেন্ট এদেদ কলেজ টিচরস এসোসিয়েসনগী জেনরেল বোদি মীফম ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা অরিবা এদেদ কলেজ ৬ হায়বদি বিরমঙ্গোল কলেজ, ককচিং খুনৌ কলেজ, ময়াই লম্বী কলেজ, ষ্টেন্দর্দ কলেজ, লিবরেল কলেজ অমদি থম্বালমরিক কলেজনা চহী কয়াগী মমাঙদগী তান্দুনা লাকখিবা এদেদ কলেজগী পোলিসি অমা থম্বীয়ু হায়বা দাবী অমুক্কসু হন্না তকশিনবগী ৱারেপ লৌখি।

এসোসিয়েসন্না তানখিবা অতোপ্পা দাবীশিং হায়বদি কলেজশিং অসিদা য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টাফিং পেটর্ন মতুংইন্না পোষ্ট এপ্রুভেল পীবিনবা হন্না হন্না য়ানচে কয়া ইনখ্রবসু থবক ওইনা ঙসি ফাওবা পাঙথোকপীদ্রিবা অসিগীদমক সরকারদা অল্টিমেতম পীশিন্দুনা খঙহনবা য়াওনা মথং থা এপ্রিল ১০ ফাওবগী মনুংদা সরকারগী মায়কৈদগী পোজিটিভ ওইবা রেস্পোন্স অমত্তা ফংদ্রবদি মথংগী নুমিৎ এপ্রিল ১১ দগী মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা হায়নসু ঙসি ফমখিবা জেনরেল বোদি মীফম্না ৱারেপ্পখ্রে হায়রি।

খ্বাইদগী লিরবা এদেদ কলেজ ৬ অসি ১৯৭৩ দগী ১৯৮০ ফাওবগী মনুংদা সোসাইটি এক্টকী মখাদা লিংখৎখিবা ঙাক্তনি। কলেজশিং অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌই। অদুবু চহী ৩৫–৪০ রোম ৱাজরক্লবা ইমপ্লোয়িশিংদি সরকারনা নৈহৎতুনা থম্বীরি। কলেজ ৬ অসিগী মতিক চাবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর লৈজে। শোক ২০১৩–১৪ গী ওইনা কলেজ ৬ অসিদা পূন্না মহৈরোয় ১০,৮৫২ ওইখি। হৌজিক্তি মশীং য়াম্না হেনগৎলে লোয়ননা ইউ জি সিগী সেক্সন ২ (এফ), ১২(বি) দা চন্দুনা পার্মিনেন্ট এফিলিয়েসন ফংলবা ঙাক্তনি। অসিদসু নত্তনা ১৯৮৭ দা সরকারনা এদেদকী থাক্তা পুখৎতুনা সবজেক্ট খরগী এপ্রুভ পোষ্ট অমমম অমদি নন–টিচিং খরগা পীদুনা লৈরি।

২০০০ দা এপ্রুভ ওঝাশিংদা ইউ জি সিগী পে স্কেল চৎনবসু হৌখ্রে। অদুবু এপ্রুভ ওঝাশিংগা অনএপ্রুভ ওঝাশিংগা তলব য়েন্নদুনা ফংমিন্নরি। মসিনা মরম ওইরগা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া থেংনবনা নেস্নেল হয়ার এদুকেসন পোলিসি ফগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়াসু মায়োক্লরি। চীফ মিনিষ্টর অমদি এদুকেসন মিনিষ্টরনা এদেদ কলেজশিং অসিগী ফিভম ফগৎহল্লগনি হায়না কয়ারক লাউথোকখ্রবা অইবা ওইনা মশীং খঙদনা পীখ্রবসু ১৯৮৯ নবেম্বর ১৭ তা অহেনবা পোষ্ট পীরম্লগা অমুক ককথৎপীখ্রে। ১৯৯৩ দা অহেনবা পোষ্ট পীনবা কলেজ কনভর্সন তৌনবা চীফ মিনিষ্টরগা য়ানচে অমা সহি তৌনখি।

চহীদুমক্কী জুন ৬ তা মতমদুগী এদুকেসন মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টরগা সহি তৌনখিবা য়ানচেদা য়াওখিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা অইবা ওইনা পীখি। অদুবু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপীদ্রি। ১৯৯৯গী আগষ্ট ৩০ দা এদেদ কলেজ তরুক অসি ২০০০ জুলাই আগষ্ট থাদা সরকারনা লৌশিন্নবা কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি। ৱারেপ অদু থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়না মতম অদুগী মণিপুর সরকারগী সেক্রেটরী (হয়ার এদুকেসন)গা য়ানচে অমসু সহি তৌনখি অদুবু থবক ওইনদি পাঙথোকখি।

এদেদ কলেজ ৬ অসিগী অপূনবা এপ্রুভ ওঝাগী পোষ্ট অসি ১০৫ লৈরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি লৈখিদবা অমদি থবক্তগী পোত্থাখিবগী মহুৎ মেনশিনবিদবনা পোষ্ট ৭০ খক্তা ঙাইরে। ফিভম অসিদা অসুমক মখা চখরবদি হায়রিবা এদেদ কলেজ অসি হিংবা ঙম্লক্তবগী ফিভমদা লাক্লগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চা বগানগী লমগী মতাংদা ইরাং লাক্কদৌরি

জিরিবাম, মার্চ ২৮ঃ জিরিবামদা লৈবা চা মনা থাফম (চা বগান)গী লমগী মতাংদা অকনবা ইরাং লাকপা য়াই হায়না মোংবুং ভিল্লেজগী চীফ জংশত হাওকিপনা ৱামাং য়াল্লি।

পাউ অসিনা হায়, মোংবুং অমদি মোলজোলগী লম অসি ১৯৮১ দা মতম অদুগী লোকেল এম এল এদা খুলগী চীফশিংনা দোনেট তৌখিবনি। মফম অদুদা চা মনা ফজনা থারম্বনি অদুবু হৌজিক্তি থবক অসি তৌদ্রে। অদুগা মফম অদু মণিপুর সরকারগী কম্মর্চ এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টদা পীথোকখ্রে। অদুনা মরম ওইরগা হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সর্ভে এন্দ সেট্টলমেন্ট ওফিস জিরিবাম্না মফম অদু সর্ভে তৌখি হায়না খঙহল্লকখিবা অদু ভিল্লেজ অনী অসিগী চীফশিংনা য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

মোংবুং ভিল্লেজগী চীফ জংসত হাওকিপ্না পাউমীশিংদা হায়, জিরিবাম চা বগান অসি মতম অদুদা মীয়ামগী ফনবগীদমক মতম অদুগী লুচিংবা অমসুং এম এল এ ওইরম্বা লৈখিদ্রবা সিনাম বিজয় সিংহদা খুলগী নিংথৌশিংনা দোনেট তৌখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি মণিপুর সরকারনা নিংথিনা শেম্বীদ্রবনিনা লম অদু অমুক হন্না খুলনা লৌশিন্নবা থৌরাং তৌরিঙৈদা কম্মর্চ এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টা পীথোক্তুনা পট্টা শেমখ্রে হায়রকপসি নুংঙাইতে। চা বগান অদু খুঞ্জাশিংনা হিংনবগী লম্বী অমা ওইরম্বনি। অদুবু খুঞ্জাশিংদা করিমত্তা খঙহল্লমদনা সরকারনা ঙম্মী হায়বগী মতাঙুম চখরকপা থৌওং অসি য়ানিংদে। করিগুম্বা খুঞ্জাশিংগী অপাম্বগী মায়োক্তা সরকারনা মখা তানা থবক চখরক্লবদি মদুদগী থোকহন্নিংদবা ইরাং কয়া থোরকপা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মোলজোল ভিল্লেজগী চীফ সাখোলম কুকিনা হায়, ইপা ইপুশিংনা মীয়ামগী ফনবগীদমক পীরম্বা লমদা সরকারনা মীয়ামগী ফনবগী থবক তৌবিয়ু। মণিপুর কম্মর্চ এন্দ ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টনা শীজিন্নবনা জোইন্ট সর্ভে অমা তৌশি হায়না খঙহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা হায়রিবা লম অসি দিপার্টমেন্ট অসিদা ট্রান্সফার তৌবা য়ারোই অমদি ২০১৪ দা হায় কোর্টতা হিরম অসিগী মতাংদা কেস অমসু লৈরি হায়না সরকারদা খঙহনখ্রবনি হায়নসু মখা তারি।

ট্রান্সফোর্মর শেমজিনবিদ্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি

থৌবাল, মার্চ ২৮ঃ ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী মনুংচনবা তেকচম লৈকায়গী মনিং লৈরক্তা খিনবা ট্রান্সফোর্মর অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেমজিনবিদ্রবদি মীয়ামগা খুৎশম্নরগা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফ্রেন্দস য়ুনিয়ন ক্লব (এফ য়ু সি) ৱাংজিং তেকচম লৈকায়গী সেক্রেটরী টি ইবুঙোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ট্রান্সফোর্মর অসি মমাঙ থা ফেব্রুৱারী ২১ দগী য়াখিদবনি। নুমিৎ অদুদগী হৌনা এরিয়া অদুদা লৈবা কঞ্জুমরশিংনা মৈ ফংদনা লৈরক্লি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা ওথোরিটিদা শেমজিনবীনবা হায়জরবা ফাওবা থৌৱা শাবিদে। বোর্দ অমদি কাউন্সিলনা লৌদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা পরিক্ষা মনুংদা মহৈরোয়শিংনা ইলেক্ট্রিসিটি ফংবা ঙমখিদবনি। অদুনা মথং থা এপ্রিল ৫ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা ট্রান্সফোর্মর অসি শেমজিন্দুনা মীয়ামদা মৈ ফংহনবীনবা এম এস পি দি সি এল ওথোরিটিদা আপিল তৌরি। করিগুম্বা মসিদা তাবিদ্রবদদি অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি হায়রি।

তখেল্লম্বা বোকুলগী ১০৯ শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ মীতৈ ইনাৎ, লাইনিং লিচৎ ৱারী শিংবুল, ৱাঙুলোন, শন্দোংলোন, পুয়া–পুদিন, লোন অমদি ময়েক্কচিংবা হিঙ্গৎনবগীদমক মপুন্সি কখোকখ্রবা অহল ইবুংঙো তখেল্লম্বম বোকুলগী ১০৯ শুবা মপোক কুমওন নীংশিং থৌরম ঙসি মীতৈ মরুপ্পা শীন্দুনা থাংমৈবন্দ চৈরাও চীংখোংদা লৈবা মালেম ইমাগী লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীতৈ মরুপকী শীন্নরেম্ব ইরোম মেঘনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অদু মরুপ অসিগী পুরেন লাইশ্রবা সনামহী শ্যামনা ফিরাল চিংখৎপগা লোয়ননা ইরেংবা রাজমনিনা লাইথৌ পাঙথোক্তুনা হৌদোকখি। ফম্মেনগী তাঙবলদা শোরেনশংবা শঙ্গাই অমদি ৱাহেংবা যাত্র অদুগা থৌরম মপুগী তাঙবলদা মরুপকী পুরেন লাইশ্রবা সনামহী শ্যামনা ফমখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা অহল ইবুঙো তখেল্লম্বা বোকুলগী পুন্সি অমদি মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং হায়বা হিরমদা ইরোম্বা মেঘানা, অহল ইবুঙো তখেল্লম্বা বোকুলনা মীতৈ ইনাৎ নৈনরম্বা হায়বা হিরমদা ঙাসেপা চাউবা, মীতৈ অমা ওইনা হিংবগী ৱারোল হায়বা হিরমদা ডা. থাংজম লানঙম (রঞ্জিৎ), মীতৈ মরুপ হৌদোকপদা ওঝা বোকুলগী থৌদা হায়বা হিরমদা ৱাংখেমচা চীংতমলেল অমসুং অহল ইবুংঙো তখেল্লম্বা বোকুলগা থেংনজবা ৱারী ৱাখোঙ খরা হায়বসিদা মোইরাংথেম্বা তুনান (জোয়কুমার)না ৱা ঙাংখি।

শগোলশেম্বা ইন্দ্রজিৎনা থৌরমগী ৱাহৌদোক পীখি অদুগা তখেল্লম্বম ইবোহলনা ময়াম্বু তরাম্না ওকখি অমসুং হুইদ্রোম্বা য়াংবনা থাগৎ ৱাহৈ পীখি। থৌরম অদু মৈরা কত্তুনা লোয়শিনখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ফ্রেন্দসিপ ফুটবোল মেটচ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ য়ুনেস্কো ক্লব মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা মেদিয়া য়ুনিফাইদ এফ সি অমদি য়ুনিফাইদ থোংজু এফ সি (এস দব্লিউ এফ সি, ৱাই দি এ) গী ফ্রেন্দসিপ ফুটবোল মেটচ ঙরাং এস দব্লিউ এফ সি ফৈজা লৈতোং গ্রাউন্দদাপাঙথোকখ্রে।

য়ুনেস্কো ক্লবকী জোইন্ট সেক্রেটরী ডা. টিঐচ চন্দ্রমনি সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ফ্রি ফ্রোম দ্রগ এন্দ প্রমোট ইন্টিগ্রেসন থ্রু গেমস এন্দ স্পোর্টস হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অদুদা অখন্নবা এৱার্দ ওইনা মেদিয়া য়ুনাফাইদ টিমদা রিমসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওফষ্ট্রেটিক এন্দ গাইনোকোলিজিষ্টকী হেদ ওইরম্বা ডা. সিঐচ মঙলেম সিংহনা লুপা লিশিং ৫ খুৎশিন্নখি। অদুগা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী ফ্লাইট লেফটিনেন্ট নিরমলা থিঙুজম্না ৱিন্নর অমসুং রন্নরসঅপতা শেলগী মনাসু পীখি।

এস দব্লিউ এফ সি ফৈজা লৈতোংগী প্রসিদেন্ট থিঙুজম গোকুলচান্দ সিংহনা ক্লব অসিনা ঙসি ফাওবদা মশক নাইরবা ডাক্তর, এদুকেস্নিষ্ট অমদি ইন্টরনেস্নেল থাক্কী শান্নরোই কয়া পুথোকপদা মাঙজিন থাখিবগী ৱাফম কয়া পাউদমখি। ডা. সিঐচ মঙলেম সিংহনা কোর্পোরেট লিদরশিংনা খুঙ্গং খুঙ্গংদা চত্তুনা অফবা শান্নরোইশিং প্রমোট তৌবিবা অমদি এদোপ তৌবিবা তঙাই ফদে হায়বগী ৱাফম থমখি। মেটচ অদু শীল লাংখিবগী কনভেনর ডা. থোকচোম চন্দ্রমনি সিংহনা হন্দক্কী অসিনা অহানবা ওইরগা মথং চহীদগী রনিং ট্রোফিগা লোয়ননা অচৌবা কেস এৱার্দ থল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

জে এ সি শেমদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৮ঃ লিলোং চীংখম মখা দামদা লৈবা মহৈরোয় এমদি সোইব অখতর, অলতিব হুসেন, সজাদ অলম, ইকবাল হুসেন্না হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা ইরম সিফাইদা থাবল চোংবা য়েংবা চৎখিবদা মীওই খরনা তমথিনা ফুরকখিবগী মতাংদা লিলোং দামদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা জে এ সি শেম্বগা লোয়ননা ৱারেপ লৌখ্রে।

নৌনা শেমখিবা জে এ সিগী কনভেনর এমদি জাকিরনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ৱৌকোগী প্রসিদেন্ট হেল্লালউদ্দিন্না প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুনা জে এ সি অমা শেম্বগা লোয়ননা ৱারেপ কয়াসু লৌখিবনি। ৱারেপশিং অদুদি অরুবা ফিভমদা হোস্পিটালদা লায়কন্নদুনা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু ফুরকখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা এক্সন লৌগদবনি। রিমসনা মণিপুরগী মপান্দা পুদুনা মখা তানা লায়েংনবা রিফর তৌখ্রবা ভিক্টিমশিংগী লায়েংবগী অচঙ অথোক পুম্নমক ইরমসিফাইগী মীয়াম্না দাইত্ব লৌগদবনি লোয়ননা মখা তানা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা থোরকপা অফ ফত্তগী দাইত্ব পুম্বা সরকারনা পুগদবনি হায়বসিনি।

শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ

পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় পুম্নমকপু নাওকোনবীরম্বী ঐখোয়গী ইমা ইবেম্মা অমদি ঐখোয়গী ইবোক শ্রীমতী লাইশ্রম ৺চাওবী দেবী– না নুংশিজরবা ইমুং–মনুং স্ব–পরিবার পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২০।০৩।২০১৬ ইং লমতাগী ১২ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীশ্রীগোবিন্দগী কৃষ্ণন্দা দাসিনি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

হৌখিবা তাং ২৫।০৩।২০১৬ ইং, লমতাগী ১৭ নি পানবা, ইরাই নুমিত্তা অষ্টি সঞ্চয় লৌখৎচখ্রে। লাক্লিবা তাং ০২।০৪।২০১৬ ইং লমতাগী ২৪ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্র প্রভুগী অগ্রহদা ঙমজবা হৈ লৈ বস্ত খরদং শ্রীহরি সঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা সেবা ওইজগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ–বৈষ্ণব, অহল–লমন, মরুপ মপাং অমদি ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা লৈখিদ্রবীগা তীন্নবীরম্বা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্লবা খবরগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবশিংঃ
লাইশ্রম ইবুংঙোচৌবা (কেনি) সিংহ (মচানুপা)
লাইশ্রম ওংবী অবে দেবী (মমৌনুপী)
অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংশিং

সেকমাইজিন বজার

786
“QURAAN - KHAANI”

চঙমদবী ময়াই লৈকায়দা লৈবা এমদি মাজাহর (জুমারুদ্দিন)গী লোয়নবী খুলাকপম শিতারা (পীশক) বিবি হৌখিবা তাং ১২।৩।২০১৬ ইং, থাংজ নুমিত্তা লৈখিদ্রে। লাক্লিবা তাং ২৯।৩।২০১৬ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী “কুরআন খনি” তৌজগনি। থৌরম অসিদা অচিনবা কয়া থাদোকপীদুনা উলমাই কিরম অমদি অহল–লমন, মরুপ–মপাং খুদিংমক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা শরুক য়াবিনবা সলামগা লোয়ননা হায়জরি।

হায়জরিবা
Md. Jumaruddin (Husband)
Md. Shahabuddin (Son)
Md. Najimuddin (Son)

Changamdabi Makha Leikai

ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

ৱাংজিং কোদোমপোকপীগী ওপোজিৎতা লৈবা ঐগী ইঙ্খোল লম ১০২/৩১৬ পাক চাওবা অসি অথুবগী ওইনা য়োনজরি। মসিদা কনাগুম্বা নৎত্রগা কনাগুম্বী মীওইশিংনা পাম্বীবা থোক্লবদি ঐনা পীজরিবা ফোন নম্বর অসিদা পাউ ফাওনবা খঙহঞ্জরি।

খঙহঞ্জবগী ফোন নম্বর
8014898298

SL/C-0405

P/15 days

সাৈনে/Piles ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমকঃ– নুংশং পেরে, কক্লাই, পোম্বা–তঙবা, অমাংথোং–নাম্থবা, চেকখাইবা, হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, মরেং–মরেং চৎপা, চক–চক থিনবা, তিল লৈবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ তাবা, ঈ–অমাংবদা তৈরকপা, ঈ–দ্রোপ–দ্রোপ তাবা, ঈ–পেচাগরিদৌনা কাপ্পা, চনপ–চনপ লাওবা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, পিক্লা মরি অমা ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা–শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা–ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খুৎনা ইনশিনবা চংদ্রবা (পদ্রাক পদ্রাক তারবা), লিভর চাওথোকপা অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা – *Naorem Ibomcha Meitei*
Heingang Awang Leikai, SAYA Club,
Imphal East-795002, P.O. Mantripukhri, P.S. - Heingang P/S
Contact No. 8729960411, 8014023792

SL/B/1month

ALWAYS BEST
Dr. HELENA EYE CARE
ADDRESS : NORTH AOC, BIG CHILL BUILDING
IMPHAL, MANIPUR
CALL : 0385-2421792 / 9774065535.
Email : dochelena11@yahoo.com


চাকঙাই ৱারী
অইবা অমসুং অয়েকপা নোং পান


নঙবু কনবীদুনা য়োকপীরিবা মখোয়বু নহাক্লা কান্নবা খরগীদমক মাঙনবা শীনবা নং কয়াম শীংবনো
ইনিংথৌনা সনা–লুপা পীগনি হায়বদুনা পামদনা তৌখিবনি
অশেংবদি লীকতু উচেক্লম্বা অমনা চেল্লকপা মাল্লি, ঐনা থেংনবদগী লৌশিন্দুনা থমখি মদুদগী থৌদোকশিংসি লাকখিবনি

ঙসিগী ৱাষি ফল (২৯–০৩–২০১৬)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ হান্নদগী ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা মতম্নি। অচৌবশিংনা চানবীরগনি। হকচাং নুংঙাইরোই। নক্ষত্র ১, ২ ফগনি, ৩ চাং অমদা লৈ।

বৃষঃ অশাওবা নেমথবা ফগনি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। য়েক্লবা চাওখৎলগনি। ৱাখল লাঙগনি। হকচাং ফত্তে। নক্ষত্র ৩ ফত্তে, ৪ খরদি ফগনি, ৫ চাং অমদা লৈ।

মিথুনঃ তিন্নবশিংদগী চেকশিল্লু। শেল লেম্বা ৱাগনি। ঐগী মীনা মীগী মীচংদা লৈখিগনি। অরানবা তাহনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ খরদি ফগনি, ৭ ফত্তে।

কর্কটঃ ৱারৌবা লৈগনি। পুক্নিং তপথবা ফগনি, লৈমিন্নবশিংগা মত খেন্নবা ওই। শেল পীথোক পীশিন্দা চেকশিল্লু। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ চাং অমদা লৈ।

সিংহঃ গারী তপ্পা থৌগনি। খৎননিংগনি। শেল চৎলগনি। মীনা কান্নবা লৌখিবা, পুক্নিং ৱাখল শোন্থবা ওই। নক্ষত্র ১০, ১১ ফগনি, ১২ ফত্তে।

কন্যাঃ হান্নগী চাংদা লৈবা, পাঙথোকপা ৱাবা, য়েংশিনবা য়াবা মতম্নি। অকনবা ৱাহৈ শীজিন্নদবা ফগনি। ইমুংদা মত খেন্নগনি। নক্ষত্র ১২ ফত্তে, ১৩ ফগনি, ১৪ চাং অমদা লৈ।

তুলাঃ চয়েৎনবা, শাওনিংবা খরদি লৈখিগনি। শেল চৎননবা য়াল্লগনি। মীনা অর্থ লান্না লৌরগনি। তোখাই তাই। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ চাং অমদা লৈ।

বৃশ্চিকঃ অপনবা শাওনিংবা লোয়নরবসু অরুবা খরদি পাঙথোক্লগনি। শোক্কনগনি। অশাওবা নেমথবা ফগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭, ১৮ ফগনি।

ধনুঃ ৱাখল তপথগনি। শেল চৎলগনি। মীনা য়েংশিল্লি। হকচাং ৱাখল শোন্থগনি। ইমুংদা কোক খরা শাগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০ ফগনি, ২১ ফত্তে।

মকরঃ পাউ নুংঙাইতবা তাবা, শেল চৎপা, মত খরদি খেন্নবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। তোখাই তাগনগনি। নক্ষত্র ২১ ফত্তে, ২২ ফগনি, ২৩ চাং অমদা লৈ।

কুম্ভঃ ৱারৌবা, তৌফম খঙদবা মীনা য়েংশিনবা, শেল চৎপা, ৱাখল চরাংনবা মতম্নি। হকচাং নুংঙাইতে। নক্ষত্র ২৩ চাং অমদা লৈ, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

মীনঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, মত চান্নবা, শেল লৈবা, মীনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২৫, ২৬, ২৭ ফগনি।